হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ০২, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ০১১ শুবা মশীং

# মণিপুরগী সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমসুং টেলিগ্রাফ পাউচেগী স্পিসিয়েল করেসপোন্দেন্ট খেলেন থোকচোম লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসিগী এদিটোরিএল হাংহঞ্জরে।

## লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌরক্তা হৌবা নাপীশিং হাৎনবা হীদাক

**ডাঃ এম থোইথোই সিংহ**

**ফৌরক্তা** হৌরিবা নাপীশিং হাৎনবা মখল কয়াগী নাপী হীদাক শীজিন্নে। শীজিন্নবগী মতম, চাং অমসুং চাইথোকপগী মওং চুম্লবদি হীদাক্তুগী কান্নবা চপ চানা ফংবা ঙমগনি। ফৌ পান্থী মরক্তা হৌরিবা নাপীশিং হাৎপদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাক মখলসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। অদুবু হীদাক শীজিন্নবদা চঙলিবা শেনজঙ, শীজিন্নগদৌরিবা হীদাক্তুগী ভোল্যুম, হীদাক মখলদুনা থোকহনবা য়াবা অমাঙবা অমসুং খূৎলোয়বা খূৎলোয়দবগী মতুং ইন্না লৌমীশিংগী অপাম পামদা লাকই। অদুবু ফনা ফবা হীদাক ওইরবসু শীজিন্নবগী মতম্বু শোয়রবদি পূন্নমক অরেম্বনি। "ঐগীদি কাপফম থোকপা কাপখ্রে" নৎত্রগা "চাইফম থোকপা চাইখ্রে" হায়দুনা পূক্নিং নুংঙাইবা খক্নি। কানবদি ইফং ফংদে।

**নাপী হীদাক মখল ঃ** নাপী হীদাকশিংবু শীজিন্নবগী মতমগা মরী লৈননা অনী থোক্লা খায়দোকই।

১) নাপী মরূশিং পোকখায়দুনা হৌদ্রিঙৈ মতমদা হাৎহৌবদা শীজিন্নবা নাপী হীদাকশিংবু শম্না প্রি ইমর্জেন্স ৱিডিসাইড হায়না খঙনৈ। Butachlor, Pretilachlor, Pyrazosulfuron ethyl লমদমসিদা তোয়না শীজিন্নরিবা হীদাকশিংনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি ফৌ লিংলবা নৎত্রগা পামফেল হুল্লবা মতুং নুমিৎ ৩-৪ নিদগী হেন্না থেংথদনা শীজিন্নগনি। হায়বদি লৈবাক শেল্লবা মতুং উকাই তক্লবা মতুংদা লৈবাক্কী মথক থংবা ইঞ্চি অমগী মনুংদা লৈরিবা নাপী মরূশিংদু হৌদ্রিঙৈদা হাত্তোক্লনবা নাপী হীদাক (Pre emergence weedicide) কাপ্পী। Butachlor হায়বা নাপী হীদাকসি মপং (গ্রেন্যুল) ওইনা অমসুং মহি ওইনসু ফংই। মপং ওইনা লাকপা Punch 5% নৎত্রগা Machet 5% লৌ শঙম অমদা কিলোগ্রাম ৫-৬ চাইথোক্কনি। মহি ওইনা লাকপা Butachlor 50% EC ওইরগনা মিলিলিটর ৬০০ ঈশিং লিটর ১০০ দা য়ানশিনবীরগা ফৌ লিংলবা মতুং নুমিৎ ৫-৭ ফাওবগী মনুংদা কাপথোকহৌগনি। থেংথবদা কান্নবা ফংদে।

Pretilachlore (Rifit 50%, Eraze 50% নৎত্রগা Delete 50%) মহি ওইনা লাকপা হীদাকসি মিলিলিটর ২৫০ দগী ৩০০ ফাওবা ঈশিং লিটর ১৫০ দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা কাপথোক্কনি। মসি ফৌ লিংলবা মতুং নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি। হীদাকসি কাপথোকপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি সেন্টিমিটর অনীমুক্তং থন্বীগনি। কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ নীনি/হুমনি থন্বীরবা মতুংদা থম্লিংবা ঈশিংগী চাং (সেমি ৫) দা থন্বীবা য়াই। ঈশিংগী চাংনা সেমি অনীদগী হেন্না ৱাংনা লৈখ্রবদি লৈঙোই কিলো ৫-৬ কা হীদাকসি মিলি ২৫০-৩০০ ফাওবা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা চাইথোক্কনি।

Pyrazosulfuran ethyl (Sathi Kilog) 10% ওইরগদি ফৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাই অমসুং লিংখ্রবা নৎত্রগা পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ হুম্নি ফাওবদা কাপথোক চাইথোকপা য়াই। হেন্না ফবদি পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নৎত্রগা লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ হুমনিদা শীজিন্নবনা হেন্না ওইজে। মরমদি লিংদ্রিঙৈদা কাপথোক চাইথোকখিবসিদি ফৌ লিংবা মতমদা লৌফমদুদা চাইথোকখিবসিদি ফৌ লিংবা মতমদা লৌফমদুদা চথোক-চৎশিন তৌবনা হীদাক্তু লৈবাক মনুংদা চঙহনখিবা মরম্না কা হেন্না কান্নবা ঙমহন্দে। মচি মচিদা নাপী হৌরকই। লিংলবা মতুং নৎত্রগা পাম্ফেল হুল্লবা মতুংদা ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা কাপ্লবদি চপ চানা কান্নবা ফংই। শঙম অমা চাউবা লৌফমগীদমক নাপী হীদাকসি গ্রাম ৪০ চঙগনি। ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা গ্রাম ১০ য়ানবীরগা কাপথোক্কনি।




২) নাপী হৌরবা মতুংদা নাপীশিংবু হাৎনবা হীদাকশিংদু পোষ্ট ইমর্জেন্স ৱিডিসাইড হায়না খঙনৈ। নাপীশিংনা খরা চাউরক্লবা মতম হায়বদি মনা মরীমুক শুরক্লবা মতমদা শীজিন্নবনা হেন্না ওইজে। মসি ফৌ লিংখ্রবা, নৎত্রগা পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিদগী ২৫ নি ফাওবগী মনুংদা ওইগল্লি। অদুবু মসি লৌবুক্তা ঈশিং লৈবা লৈতবগীসু মখা পোল্লি। নুমিৎ ৩০ নি শুদ্রিঙৈদা নাপীশিং হাৎহৌগনি। নুমিৎ ৩৫ ফাওবসি নাপী অমসুং ফৌ পান্থীশিংগী মরক্তা কম্পিটিসন লৈবনা নুমিৎসি য়ৌদ্রিঙৈদা নাপীশিং হাৎহৌরবদি ফৌনা নাপীশিংবু ঙমখ্রনি।

নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিংদি 2, 4-D; Metsulfuron methyl 10% + Chlorimuron ethyl 10% (Almix Mahamix); Cyhalofop butyl 10% EC (Clincher 10%), Penoxsulam (Granite), Macho (Bispyribac)

**2, 4-D :** নাপী হীদাকসি মওং কয়াদা হায়বদি মহিদা, মফোলদা অমসুং গ্রেন্যুল ওইনা ফংই। মওং খেন্নবগী মতুং ইন্না হীদাক য়াওবগী চাংসু খেন্নে। চাদা ৩৬ গী মপাঙ্গল লৈবা হীদাকসি লৌ শঙম অমদা মিলিলিটর ৫০০ অমসুং চাদা ৩৮ কী মপাঙ্গল লৈবা ওইরগনা মিলি ৫৫০ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা শীজিন্নগনি। চাদা ২০ গী মপাঙ্গল লৈবা 2, 4-D মফোল ওইরগনা লৌ শঙম অমদা কিলোগ্রাম অমা চঙই। অতোঙবা ঈশিং লৈতবা ফৈদোমগী মচি মচিদা তাখিবা নাপী হীদাক্তু চাইথোকপা ঙমদবনা পান্থীদা অকায়বা পী। অসিগুম্বা ফীভমসি তারক্তনবা লৌফম্বু লৈতেম মান্ননা ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা পাম্ফেল হুন্দ্রিঙৈদা উকায় তকহৌগনি অমসুং ইঞ্চি অমা অনীমুক থানা ঈশিং লৈহল্লগা নাপী হীদাক শীজিন্নগনি।

Metsulfuron methyl 10% + Chlorimuron ethyl 10% (Almix Mahamix) : লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা গ্রাম মঙাখক চঙই। ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা গ্রাম অমমুক্তং হাপ্লগা কাপথোক্কনি। মনাদা হীদাক্তু মপূং ফানা নপ্নবা অমসুং কান্নবা হেন্না ফংনবা ষ্টিকর মিলিলিটর ৫-৫ সুং হাপহৌগনি। নাপীনা মনা মরিমুক শুরকপদা কাপ্পনা হেন্না ওইজে। লৌফমদা ঈশিং লৈবা লৈতবগা মরী লৈনদে। অদুমকপু অয়াম্বা ঈশিং থাদোকখ্রগা নাপীশিং মশক ফজনা উরবদি নাপীদা হীদাক্লা মপূং ফানা চোৎহনগনি। ইরায় লায়না হাৎকনি।

Cyhalofop-buty 10% EC (Clincher) : উরীচাক ফৌমানবী হাৎপদা য়াম্না নুংঙাইবা হীদাক্নি। শঙম অমদা মিলিলিটর ২০০ চঙই। মনা ৪-৫ শুরবা মতমদসু উরীচাক ফৌমানবীবু ইরায় লায়না হাৎলি। মমল খিক্তং তাংই। উরীচাক ফৌমানবী য়াম্না কনবা মফমদদি য়াম্না কান্নবা হীদাক্নি।

Penoxsulam (Granite) : মনা অকুপ্পা অমসুং অপাকপা অনীমক হাৎপা ঙম্বা হীদাক্নি। নাপীগী মনা মরি মঙা শুবা মতমদা শীজিন্নগনি। মিলি ২৫ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা শীজিন্নগনি। মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানগনি।

Macho (Bispyribac) : পাম্ফেল হুনখিবা নৎত্রগা লিংলবা মতুং নুমিৎ ২৫ নিমুক শুবা মতমদা হৌরিবা নাপীশিং হাৎপা লায়হল্লি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা মিলিলিটর ৫০ চঙই। ঈশিং লিটর ১৫ চনবা স্প্রেয়রদা মিলিলিটর ১২.৫ হায়বদি স্প্রেয়র মরিদা হাপ্লগা কাপথোক্কনি।

থমজনিংবা ৱাফমদি নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিংবু নাপী হৌদ্রিঙৈদা শীজিন্নবা নৎত্রগা নাপী হৌদ্রিঙৈদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিংবু নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নবা হায়বসি অরেম্বদা শেল মাঙহনবদা নত্তনা শেলনা লৈবা য়াদবা মতমসু মাঙহল্লি হায়বসিনি।

# পান্থীদা ঈশিং ফংনবা হোৎনবদা লৌশিং খরা

**এস সুমঙ্গল সিংহ**

**উ পান্থী** অচৌবশিং অমদি নাপী মখল খরা নত্তনা ঐখোয়না থারিবা অয়াম্বা পান্থীশিংদি লৈবাক লৈহাওগী অথেনবা শরুকশিংগী য়াওরিবা ঈশিং ঈনিলগী শরুক্তগী ঈশিং চুপখৎতুনা হিংবনা অয়াম্বনি। লৈবাক্কী লৈমাইদগী নুংশাগী মৈশা অমসুং নুংশিৎনা ঈনিল অদুমক মাঙহল্লিবনি। লোয়ননা পান্থীগী মরানা চুপখৎলিবা ঈশিংসু অমুক মনাদগী থাদোক্তুনা ঈশিং অসি মাঙদবা য়াদবা মওংদা মাঙলিবনি। মরম অদুনা পান্থী অমা মশা মউ ফনা চাথোক নিংথিনা ফংনবা হোৎনবা মতমদা ঈশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি মপূং ফানবা হোৎনবা মতমদা চেকশিনগদবা ঈশিং চনবগী মওং খরা খঙজিনবা কানগনি খল্লি। য়েংমিন্নসি।

**ঈশিং চনবা মতমদা খঙজিনবদা কানবা খরা হান্না য়েংসি-**

**লৈবাক লৈশাগী মওং :** লৈতানলম: লৈতান্না নম্বা লৈবাক্লা লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক্তগী ঈশিং শরুক অহুম হেন্না চুপশিনবা ঙম্মী। মরম অসিনা লৈঙোই লমদা লৈতান লমদগী খরা হেন্না তোইনা ঈশিং চনবা মথৌ তাই। অদুমকপু লৈতান লম্না অমুক ঈশিং চনবা মতমদা ঈশিং চুপশিনহনবদা খরা হেন্না খূৎ চঙই। লৈঙোই লমদা ঈশিং লায়না খরা থুনা চুপশিনহনবা ঙম্মী। লৈতান লমদা ঈশিং মপূং ফানা চল্লবা মতুংদা মতম শাংনা ঈশিং ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্বা মরম্না কুইনা চৎপা হেল্লি।

হান্না লৈরনবা লৌফম/ইঙ্খোলগী লৈবাক লৈমাই অমদা লৈবাক মরোল অমা হৈজিন্দুনা শেল্লবা অদুগা মদুবু পোপ্লবা ঈশিং চাইবা মতমদা অনৌবা লৈরোলদু য়ৌরবা মতুংদা হান্নগী মখাদা লৈরিবা লৈরোলনা কৈদৌনুংদা অহেনবা ঈশিং চুপশিল্লু য়ারোই পাথোক্তুনা চেনখিগনি। অসুম্না লৈবাক্কী শরুক (অর্থ বোল) য়াওনা ফুক্লকপা পান্থী অমা থারগা অকোয়বদা অনৌবা লৈবাক্লা ফুনজিল্লবা মতুংদা ঈশিং চনবা মতমদা বোলদুদা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদবদগী মরা চথোকপা ঙমদদুনা পান্থী চাউবা হেন্দবা কয়া থেংনদবা নত্তে। লৈরোল অনীগী নৎত্রগা অর্থ বোলগা হাপচিল্লিবা লৈশাগা তাইনফম অনী নিংথিনা শম্নহনবা মথৌ তাই।

অতোপ্পা খঙজিনবদা কানবা অমনা লৈঙোই লমদা ইঞ্চি অমা থানা/লুনা ঈশিং চনবদা ফুট অমা থানা/লুথনা ঈশিং য়ৌবা ঙম্মী। লৈঙোই-লৈতান য়ান্নবা লমদনা ফুটখাই অমা খরা হেন্না লুথনা য়ৌই অদুগা লৈতান লমদনা ইঞ্চি মরি মঙাদগী হেন্না য়ৌথবা ঙমদে। মসি থমজবগী মরমদি ঈশিং চনবগী শীজিন্নরিবা মওংগী মতুং ইন্না ঈশিং কা হেন্না মাঙদনা, শেলসু য়াম্না চঙদনা লৈহাওসু চেন্থদুনা অমদি চুমথদুনা মাঙদনবা মওংদা ঈশিং চনবদা লৌশিং খরা হেন্না শীজিন্নবা থমজবনি।



ওর্গানিক্কী হারশিং হাপ্লগদি লৈমাই কয়া য়ৈশিন্দে। চাইরিবা ঈশিং নিংথিনা চুপশিনবা ঙম্মী। মতম শাংনা ফাজিন্দুনা পান্থীদা মতম শাংনা ঈশিং পীবসু ঙম্মী। ষন্থি ষণযুংগী হার, নাপী-শিংনাদগী শেম্বা কম্পোষ্ট শীজিন্নবা, থারিবা পান্থীগী লেমহৌখাকশিং মরু ওইনা ফৌগী চরু, চরুখোক মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনবগী মহুত্তা হৈনা-শিংনা শীজিন্নরবদি হায়রিবা পান্দম অসি লায়না ফংবা ঙমগনি।

**নুংশিৎনা ঈশিং শাথিনা মাঙহনবা ঙম্মী :** লৈবাক্তগী নুংশিৎনা ঈশিং হুমদোক্তুনা ঈশিং শাথিনা



মাঙহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা ইঙ্খোলগী অকোয়বদা পান্থী থাদুনা নুংশিৎ ঙাকথোক্লবা উপাই শীজিন্নবা য়াম্নমক কান্নে। মনা অমদি মসা মরেং য়াম্না পানবা পান্থী থাবনা নুংশিৎ অকনবদগী নিংথিনা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চেক্কী ফক্লাংদগীদি হায়রিবা পান্থীশিং অসিনা নুংশিৎকী শাফু হন্থহনবদা কানবা য়াম্না হেল্লি। নুংশিৎকী ঈপোমদি ঈশিং ঈচেলগুম্বনি। ঈপোমদুনা চেকপল লান্দুনা শিৎলক্লগা পান্থীশিংবু শাথিনা মাঙ তাকহনবা ঙম্মী। অদুগা অমরোমদনা পান্থীগী মনা মরক্তা ফাওদুনা শিৎপা মতমদা নুংশিৎকী শাফু ফনা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী। মসিনা ঈশিং মাঙবগী চাংসু য়াম্নমক হন্থহনবা ঙম্মী। শম্না হায়রবদা চেকপলদগী পান্থীনা নুংশিৎকী শাফু হেন্না ঙাকথোক্তুনা থারিবা পান্থী মাঙ তাকহনবা অমসুং ঈশিং মাঙবা থিংবদা থৌদাং চাউনা লৌবা হেল্লি। নুংশিৎ অকনবা হুমজিনগনবা মায়কৈ খঙনা উরুমসু লাংদনবা মওং য়েংদুনা উহৈ পান্থীনচিংবা থাদুনা কানবা অনীমক লৌনবা হোৎনবা কানগনি।

**পান্থীগী মরাশিং ঈশিং মুন্নে :** উ পান্থীশিংবু মাগী ঈশিং নীংথিনা পীরবদি থারিবা পান্থীগা ঈশিং মুন্নহন্দবা য়াই নৎত্রগা থারিবা পান্থীগা উ পান্থীগা অনীগী মরক্তা খোইদোক্তুনা কংহনবা মতমদা ঈশিং লৈবা মায়কৈরোমদা মরা চৎখিদুনা থারিবা পান্থীগা মরা য়েৎনহন্দবা য়াই।

**থারিবা পান্থীগী মনা য়েংলগা ঈশিং চাইনি-চাইরোই লেপথোকপা য়াই :** ঈশিং ৱাৎলবা পান্থীগী মনা মচু মকশিনগনি। মনাশিং কোনশিল্লকপা উগনি। পান্থীনা মনা কেন্দুনা খাঙলিবসি ঈশিং য়াম্না শীজিন্নদবননি। হায়রিবা মওংশিং অসি য়েংলগা ঈশিং চনবগী মতম লেপ্পা য়াই। কনশিল্লবা লৈমাইদা ঈশিং চুপশিনবা ঙমদে।

হোম হোম লাওবা ফাত্তোক্লবা লৈমাইনা ঈশিং চুপশিনবা ঙম্বা মতমদা অকনবা লৈমাইদা তাবা ঈশিংনা চেন্থখিদুনা মাঙখিগনি হায়বদি থারিবা পান্থীশিং মখোঙ শোন্থীদুনা ঈশিং চুপশিনবা ঙম্নবা হোৎনবীগনি।

পূম্নমকশিং অসি খঙলবদি করম্না কয়া য়াম্না নৎত্রগা করম্বা মতমদা ঈশিং চাইগনি/চনগনি হায়বদু লায়না খঙবা ঙম্লনি খল্লি।

**অতোপ্পা কানবা খরা :** ঈশিং পীরিবনি হায়দুনা লৈমায় খরখক চোৎনবা পীবদগী পীদবনা হেন্না ফৈ। ঈশিং য়ৌরিবা শরুক্তা মরা কাখৎলক্তুনা মরা থেন্না চৎনবা মচাক ওইহল্লি। মরা থেন্না চৎলবদি মচিঞ্জাক ফংবা ৱাৎলনি। পান্থী মপূং ফাররোই, শেন্দোং ফংলরোই। কালেনগী মতমদা স্কার মিটর অমগী লৈমায়দা ঈশিং লিটর ১০-২০ চাইনা মথৌ তাই। মসি ঈশিং পেরে অনীগী চাং ওইগনি।

ঈশিং মাঙদনবা প্লাষ্টিক্লা, নাপী-শিংনা অকঙবনা, চরু চনাইনা মলচিং (লৈমায়বু কুংশিনবা) য়াম্না কান্নে। মসিনা ঈশিং মতম শাংনা পান্থীদা ফংহল্লি। লোয়ননা নাপী হৌহন্দে।

থমজরিবা খরা অসি মুন্না খন্থবিরবদি পান্থী থাবা মতমদা ঈশিং লিক্লা, মতম চানা, চাং চানা অমদি চাং নাইনা পান্থীদা ঈশিং ফংহন্দুনা চাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি, শেন্দোং হেন্না ফংগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### রিজার্ভ ফোরেষ্ট লৌথোকপীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মতম** অসি য়াম্না চাওখৎলবা মতমনি। মতম অসিদা মী মচাগী ৱাখল খনবদি চাদবা ফি-রোল শেৎপগা মান্নগনি। মন্ত্রিগী মনাওনা মন্ত্রি শাবা, মচিন চৎপা ওফিসরগী মচিন মৌপ্পা, মচা-মশুনা ওফিসরদু শাবা অসিগুম্বা চৎনবী ময়াম অসিনা য়োমশিল্লক্লবা ইরমদম অসি নোংমদি লৈখা তাখ্রগনি খনবদা ৱাদবা ঙমদে। লিলা, দ্রামা কুপ্লিবশিংনা মানা-মানা লৌরিবা রোলদুদা মানমাল্লে হায়দুনা চাউথোকচৈ। অসিগুম্বা চাউথোকপগী হৈনবী অসি মুখৎখিবনদি ফৱবনি।

হৌজিক হৌজিক লাঙ্গোলদা লৈরিবা গেষ্ট হাওস অসিদা করি ফজবা পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা লৈদুনা মফম অসিদা মীয়াম্না ৱাখল পোখাবা লাক্কদৌরিবনো? লৈরিবা গেষ্ট হাওস অসি কান্নদ্রবা গেষ্ট হাওসনি হায়নীংই। সহরগী চরাংনবা মরক্তা থমগদবগী শরুকপুদি খরা লাপথোকপা কাংচুপ চীং নৎত্রগা সিংদাগী চীং অমদা থম্বনা নুংঙারইবা স্পোট অমা ওইগনি। হৌজিক লাঙ্গোলদা লৈরিবা মফম অনী অসিদি শেল মাঙনবনি। ফনা ফজনা শেমলবসু ইনকম লাকপগী ৱাখলদি থাদোকপনা লেমগনি। লাঙ্গোলগী মরমদা ঐনা খঙজবা খরদং ৱারী ওইনা থমজবা তারবদি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ হায়বদি চহী ১৬/১৭কা শুরকপা অদুৱাইদগী ঐখোয় লৈকায়গী অহলশিংগা লোয়ননা লাঙ্গোলদা শিং চনবা চৎলি। মতম অদুদা উচান পান্থী অমা ফাওবা হৌবা উদে। মতমদুদা লাঙ্গোলদা হৌবা উসি হৈমাং, হৈনিং, উয়ুং, শৈহি হৌরম্মী। অদুগা রিজার্ভ ফোরেষ্ট হায়দুনা লৈঙাক্লা কনশিল্লক্লিবা অসিনা কদোমদগী করম্না তৌরিবনো। লাঙ্গোলগী মরমদা ঙাঙলিবশিংনা লাঙ্গোল করম তৌরম্মী, লম্ফেল পাৎকী লৈরম্বা, ওইরম্বা শকফম্না করিনো হায়বা নিংথিনা খঙবা অমা মথৌ তাই। লাঙ্গোলবু রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমদি ইন্দিয়ন রিজার্ব ফোরেষ্ট হায়দুনা মমিং থোঞ্জিনলিবা অসি লৈঙাক অসিনা লৌথোকহন্নীংই। লৈঙাক লৈবদা অমদি লৈঙাক অমা শেম্বদা করি করি চঙবগে হায়বা খঙবীগদবনি। মীয়াম্নবু য়াদ্রবদি লৈঙাক লৈরোই অদুনা কেবিনেটনা ৱাফম অসি মুন্না খন্নবা মথৌ তাব্রা হায়জনীংই।

*অদোমগী - কান্ত, উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্নি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে?
(খ) করম্বা শাগী মঊন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে?

২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্লা ফজৈদা/নৌনা পূক্নিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "শাৎলমদরে কোম্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।